# স্নাইপরশিং অমসুং রাদরশিংগা লোয়নবা ওপরেসনগীদমক কম্মান্দোশিং কাশ্মীরদা থুংখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জুন ২১ ঃ*
জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা প্রসিদেন্ট'স রুল থমখ্রবা মতুংদা এন্টি-টেরর ওপরেসনশিং চখনবগীদমক স্নাইপরশিং অমসুং রাদরশিংগা লোয়নবা নেস্নেল সেক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) কম্মান্দোশিং কাশ্মীরদা থুংখ্রে।

হৌজিক শ্রীনগর মনাক্তা লৈবা হমহাহদা বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সকী কেম্প অমদা হোম মিনিষ্টরগী মখাদা লৈবা স্পিসিয়েল ফোর্সেস য়ুনিট অমা ওইরিবা এন এস জি কম্মান্দোশিংনা ত্রেনিং চথরি। মখোয়গী ট্রেদমার্ক ওইরিবা অমুবা উনিফোর্ম শেৎতুনা স্পিসিয়েল কম্মান্দোশিং অসিনা অতৈ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা লোয়নবা দ্রিলশিং পাঙথোক্লি।

ওপরেসনশিং কনশিন্নবা সেন্টরনা থৌরাং তৌখিবগা লোয়নবা এন এস জি কম্মান্দোশিং কাশ্মীর তম্পাক্তা লাকখিবা অসিনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং মরক্তা মীশি-মীনা থোকপা হন্থহল্লগনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোক্লি।

নেস্নেল সেক্যুরিটি গার্দস নৎত্রগা এন এস জি হায়রিবশিং অসি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা কাউন্টর-টেরোরিজম ফোর্সশিংনি। হৌজিক মখোয়বু কাশ্মীরদা থল্লগনি।

মখোয়গী থানিংবা মফমদা চপ চানা থাবা ঙম্বগা লোয়নবা অমসুং ৱালশিং ফাওজিনবা ঙম্বা রাদরশিং, স্নাইপর রাইফলশিং অমসুং কোর্নর সোট এসোল্ট ৱিপনশিংগুম্বা থাক ৱাংনা ফরবা খূৎশু-খূৎলাইশিং শীজিন্নদুনা ওপরেসনশিং অদুগী মনুংদা মীশি-মীনা থোকপা হন্থহল্লগনি। আর্মিশিংনদি অসিগুম্বা অরুবা ওপরেসনশিং অসি মখোয়গী নাকন্দা মীশি-মীনা য়াম্না থোক্কদবা মরম্না য়ারিবমখৈ তোক্কবা হোৎনৈ অমসুং মদুগী মহুত্তা টেরোরিষ্টশিংনা লোৎতুনা লৈরিবা বিল্ডিংশিং অদু থুগাইরগা মখোয়বু ন্যুট্রেলাইজ তৌনবা হোৎনরি।

এন এস জি না মখোয়গী য়ূম মনুংদা চঙশিনবা ঙম্বা টিম কম্মান্দোশিংগা লোয়নবা অসিগুম্বা ফিভমশিং অসিগীদমক দিমোলেসন এক্সপার্টশিংসু লোয়নরগা চৎলি।

কুমজা ২০১৭ তা সেক্যুরিটি পার্সোনেল ৮০ অমসুং মীচম ৭০ গী পুন্সি মাঙখি। চহী অসিগী মে থা ফাওবদা সেক্যুরিটি পার্সোনেল ৩০ অমসুং মীচম ৩০ গা শিখি হায়না হোম মিনিষ্ট্রি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোক্লি।

কাশ্মীরদা চখগদবা এন্টি-টেরর ওপরেসনশিং অদুগী শরুক অমা ওইনা হোম মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা লৈরিবা লানহৌবশিংগীদমকসু ইলাইট কম্মান্দোশিং অসিবু থৌরাং তৌদুনা লৈহনগনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা হান্না ফোঙদোকখ্রবনি।

মখোয়গী খ্বাইদগী নৌবা অফবা খূৎশু-খূৎলাই লৈরে অদুবু রিয়েল-তাইম বেসিসতা প্রেক্টিষ্ট তৌবগী মথৌ তাই লোয়নবা থোক্কদৌরিবা অশেংবা ফিভমশিং মায়োক্লবা তাই হায়না সেনিয়ার হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

বিল্ডিংশিংগী মনুংদা ফিভম শেমদুনা লোত্তুনা লৈখ্রবা টেরোরিষ্টকী মথক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চঙশিন্নবা হোৎনবদা মীশি-মীনা চাং ৱাংনা থোকই হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

থা খরগী মমাঙদা এন এস জি না জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসকী স্পিসিয়েল ওপরেসনস গ্রুপ (এস ও জি) বু মখোয়গী গ্রুগাউ মনাক্কী মানেসর হেদক্বার্টরসতা এন্টি-টেররর ওপরেসনশিংগীদমক ত্রেনিং পীখি।

হৌখিবা চহী খরদদি জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং পঞ্জাবতা এন্টি-টেরর ওপরেসনশিংদা এন এস জি থোইনা শীজিন্নদে। মখোয়গী মহুত্তা আর্মি পেরা কম্মান্দোশিং শীজিন্নে। ওপরেসন খরদদি ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী গরুর কম্মান্দোশিং অমসুং ইন্দিয়ান নেভিগী ইলাইট ফাইটরস মার্কোসসু কাশ্মীর তম্পাক্তা শীজিন্নখি।

# নোর্থ কোরিয়া অমসুং চিনা লুচিংবশিংনা তেংবাঙনবা হেনগৎহন্নবা য়াল্লখ্রে



*সিওল, জুন ২১ ঃ*
নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন অমসুং চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং না ঙরাং য়ূমশকৈশা নুমিত্তা মখোয়গী অনীরকশুবা উন্নবদা লৈবাক অনীগী মরক্তা ষ্ট্রেতেজিক অমসুং টেক্টিকেলগী তেংবাঙনবা হেনগৎহন্নবা খন্ন-নৈনখ্রে হায়না ঙসি নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অনীগী মরক্তা উন্নখিবদু নোর্থ কোরিয়া লুচিংবা অসিগী বৈজিংদা চৎপা অনীরকশুবা খোঙচৎকী অরোইবা নুমিৎনি। নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবনা হৌখিবা চয়োলদা সিঙ্গাপোরদা য়ু এস প্রসিদেন্টকা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবগী মতাংদা চিনাগী প্রসিদেন্টতা শন্নপ্পা পাউদম অমা পীখি।

মখোয় অনীনা হৌজিক লৈরিবা অমসুং অনৌবা ফিভমগী মতাংদা হকচিন্না মোত ফোঙদোক্লখি হায়না কোরিয়ান সেন্ত্রেল ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লুচিংবা অনীনা য়ু এস-নোর্থ কোরিয়া সমিটকী ওইরক্কদবা ফলশিং খন্নরবা মতুংদা কোরিয়ান পেনিনসুলাদা দিন্যুক্লিয়ারাইজেসনগী মতাংদা ৱাখল ফোঙদোক্লখি। কিমনা ঙরাং প্রসিদেন্ট জি উন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা চাইনিষ্ট একাদমি ওফ এগ্রিকলচরেল সাইন্সেসনা চলাইবা এগ্রিকলচরেল ইন্সটিট্যুট অমা য়েংখি। মহাক্না মফমদুদা থারিবা মনা-মশিংগী পান্বীশিং অদুবুসু পূক্নীং চঙনা য়েংখি।

য়ূমশকৈশাগী নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা পিয়োংয়াংগীদমক খোঙশাল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙ নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অদুনা বৈজিংগী ট্রাফিক কন্ট্রোল সেন্টর অমসু উন্নখি।

ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই শানবগী মতম কুইনদগী লৈরক্লবা আশা অদু ফংবা ঙম্লে হায়না মহাক্না লাওথোকখিবগী মতুংদা নোর্থ কোরিয়াদা ইকোনোমি চাওখৎহন্নববু খ্বাইদগী হেন্না মাঙজিন থাবা থবক অমা ওইনা চঙশিনগনি হায়না মহাক্না ৱাশকখি।

হৌখিবা থা খরদসু নোর্থ কোরিয়ান মেদিয়ানা এগ্রিকলচরেল অমসুং ইন্দষ্ট্রি সেক্টরশিংদা য়াম্না খুমাঙ চাওশিল্লে হায়না তোয়না ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিমনা চিনাগী প্রসিদেন্টকা খ্বাইদগী নৌবা ওইনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা দি আর পি গীদমক চিনানা লেপ্লি হায়বসি মঙোন্দা থাজবা ফাওখি হায়রি।


## GAS TODAY

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : Upto Date
Valid : 20/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**Khongnang Gas, Ningthoukhong Bisnupur**
Booking : 14/06/18
Valid : 08/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 09/05/18
Valid : 5/05/18
Sl. No. 218421
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Phayeng Gas**
Booking : 21/06/18
Valid : 03/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Nongpok Sekmai**
Booking : 05/05/18
Valid : 29/04/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**G B D Lamlong**
Booking : 07/05/18
Valid : 25/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 25/04/18
Valid : 24/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 25/05/18
Valid : 22/05/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 811.50/-

**Hiyangthang Indane**
Booking : 11/05/18
Valid : 05/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 23/05/18
Valid : 20/05/18
Stk : 306
Sl. No. 150
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**K K Gas**
Booking : 15/06/18
Valid : 04/06/18
Sl. No. 100
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 16/05/18
Valid : 04/05/18
Stk : 612 CTC
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Athokpam Indane Wangjing/ Khongjom**
Booking : 14/05/18
Valid : 21/04/18
Stk : 612 CTC
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 16/05/18
Valid : 14/05/18
Stk : 306
Sl. No. 3880
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Lamsagn Gas**
Booking : 31/05/18
Valid : 26/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m


# কিমনা থুগাইগনি হায়খিবা মিসাইল টেষ্ট সাইট অদু য়ু এস না মশক তাক্তুনা ফোঙদোকখ্রে

*ৱাসিংটন, জুন ২১ ঃ*
সিঙ্গাপোরদা জুন ১২ দা নোর্থ কোরিয়া লুচিংবা কিম জোং উন গা য়ু এস প্রসিন্টে দোনাল্ড ট্রম্পকা উন্নখিবা ইতিহাসিক ওইরবা সমিট অদুদা নোর্থ কোরিয়াগী নাকলদগী থুগাইরগে হায়না য়াখিবা মিসাইল টেষ্ট সাইট অমা য়ু এস না মশক তাক্তুনা ফোঙদোকখ্রে।

মিসাইল টেষ্ট সাইট অদু নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এস ফাওবা য়ৌবা ঙম্বা লোং-রেঞ্জ মিসাইলশিংগী ইঞ্জিনশিং টেষ্ট তৌফম ওইনা শীজিন্নখিবনি হায়না য়ু এস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

য়ূমশকৈশা নুমিৎতা য়ু এস ওফিসিয়েল অমনা সোহে সেটিলাইট লোঞ্চিং গ্রাউন্দ অদু আইদেন্টিফাইট তৌখি লোয়নবা নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী শান্না কাপ্পা ঙম্বা বালাষ্টিক মিসাইলশিংগীদমক লিক্যুইদ প্রোপেল্লেন্ট ইঞ্জিনশিং টেষ্ট তৌবদা সাইট অসি শীজিন্নে হায়খি।

চিয়ার্মেন কিমনা ৱাশকখি মদুদি নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল ইঞ্জিন টেষ্ট ষ্টেন্দ অমা থুনমক থুগাইরগনি হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্তবা ওফিসিয়েল অমনা এজেন্সিদা হায়খি। অদুম ওইনমক থুগাইবগী থবক অদু চখনবগী চপ চাবা টাইম টেবলগী মতাংদদি খুদক্তা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোক্লক্ত্রি। কিমনা অসিগুম্বা ৱাশক অমা শকখ্রে হায়বসি নোর্থ কোরিয়ানা মীয়াম খঙনদি ফোঙদোকখিদ্রি।

য়ু এস তা লৈবা নোর্থ কোরিয়া মোনিটরিং গ্রুপ ৩৮ নোর্থনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চয়োলগী লোইশিল্লকপদা এনালাইসিস অমদা সোহে নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা মিসাইল টেষ্ট সাইটতা থুগাইবগী করিগুম্বা থবক অমত্তগী খুদম ফংখিদ্রি হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা টেষ্ট সাইট অসি মখা তানা কূপ্না মোনিটর তৌদুনা লৈগনি। লোয়নবা ঐখোয়গী নেগোসিয়েসনশিংসু মাঙলোমদা চঙশিনগনি হায়না য়ু এস ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

সোহে সেটিলাইট লোঞ্চিং গ্রাউন্দগী মরমদা থোইনা খঙনদ্রিবা ৱারোলশিংদি মসি তোংচাং-রি দা লৈ। মসি কুমজা ২০০৮ দা লীংখৎখিবনি। অদুগা মিসাইল দিভলপমেন্টকীদমক অমসুং বালাষ্টিক মিসাইলশিংবু সপ্পোর্ট তৌবা ঙম্বা টৱার অমসু য়াওনা অতৈ রিছার্স ফেসিলিটিজশিংসু অনকপদা লৈ। সাইট অসি মরু ওইনা হৱাসোং-১৫ গুম্বা লোং-রেঞ্জ মিসাইলশিংগীদমক শাবা অচৌবা পিক্তুসান ইঞ্জিনশিং টেষ্ট তৌবদা শীজিন্নে। মিসাইল টেষ্ট তৌবসি হায়রিবা সাইট অসি খক্তনা তৌবা নত্তে। মরম অদুনা সাইট অসি থুগাইখিবা তারবসু নোর্থ কোরিয়াগী আই সি বি এম (ইন্টরকন্টিনেলটেন্ট বালাষ্টিক মিসাইল) শিং লোয়নমক থুগাইবা হায়না লৌবা য়ারোই। অদুবু খ্বাইদগী হেন্না মশক খঙলিবা টেষ্ট সাইটতি মসিনি। মরম অদুনা করিগুম্বা মরু ওইবা টেষ্ট সাইট অসি সটদাউন তৌরবদি মদু অচৌবা খুদম অমা ওইগনি হায়না সাউথ কোরিয়াদা লৈবা ইন্সটিট্যুট ফোর নেস্নেল সেক্যুরিটি ষ্ট্রেতেজিগী রিছার্স ফেলো অমা ওইরিবা মুন হোং-সিক না হায়খি।

# ইন্দোনেসিয়া ফেরিগী কেপ্টেন পুলিসনা ফাগৎখ্রে

*সিমালুঙ্গুন, জুন ২১ ঃ*
ইন্দোনেসিয়াগী লেক তোবাগী ঈশিং মনুংদা লুপখ্রবা মী হেন্না তোংশিনবা ফেরি অদুগী কেপ্টেন অদু মচিন হংনবগীদমক পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

হি অদুনা ফজরবা ভোলকেনিক লেক অদুদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা লুপখিবনি। মদুদা অঙাংশিং য়াওনা মী ময়াম অমা তোংখি। মীয়াম অদুগী মনুংদগী কনবা ঙমখিবা শুপ্নগী মীওই ১৮ গী মনুংদা কেপ্টেন অদুসু অমনি। পেসেঞ্জর অহুমদি শিরে হায়বা চপ চানা খঙখ্রে।

ওফিসিয়েলশিংনা পাবদা অঙাংশিং য়াওনা মীওই ১৯৩ হৌজিকসু থিবা খঙদনা লৈরি। মরম অদুনা থৌদোক অসি ইন্দোনেসিয়াগী খ্বাইদগী হেন্না মীশি-মীনা থোকপা মেরিটাইম দিজাষ্টর অমা ওইরগনি হায়না মীপাইনরি।

ঊনা শাবা মহৌশাগী হি অদু পেসেঞ্জরগী টিকেটশিং য়াওদনা আইন কাইনা ওপরেট তৌবনি থাজে। মরম অদুনা হি অদুদা চপ চানা মীওই কয়া তোংখিবনো হায়বদু ওফিসিয়েলশিংনা খঙবদা অরুবা ওইরি। মখোয়না তোংখিবা মী মশীং খঙননবা হিংহৌবশিং অমসুং মাঙখ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদগী পাউসু লৌরি।

হি অদুনা শারকপা মতমদা পুবা ঙমগদবা অরান্নদগী শরুক মঙা হেন্না লোয়নবা মদুগী মথক্তা মোতোর সাইকল কয়ামরুমসু পুরক্লমগনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি। টুৱা সাগালা কৌবা কেপ্টেন অদুনা হি অদুগীসু মপুনি হায়রি।

**সনা-সুদোকু -১২০৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 9 | 7 | 8 | 3 | 2 | 4 | 1 | 5 |
| 8 | 1 | 3 | 4 | 6 | 5 | 9 | 2 | 7 |
| 5 | 4 | 2 | 7 | 1 | 9 | 8 | 6 | 3 |
| 9 | 6 | 5 | 2 | 8 | 1 | 7 | 3 | 4 |
| 4 | 2 | 1 | 5 | 7 | 3 | 6 | 9 | 8 |
| 7 | 3 | 8 | 9 | 4 | 6 | 1 | 5 | 2 |
| 1 | 5 | 4 | 6 | 2 | 8 | 3 | 7 | 9 |
| 3 | 8 | 9 | 1 | 5 | 7 | 2 | 4 | 6 |
| 2 | 7 | 6 | 3 | 9 | 4 | 5 | 8 | 1 |

## অসামগী ওফিসার ১৩ থবক লৌথোকখ্রে

*গুৱাহাটি, জুন ২১ ঃ*
অসাম পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (এ পি এস সি) না অসাম সিভিল সার্ভিস (এ সি এস) ওফিসারশিং অমসুং অসাম পুলিস সার্ভিস (এ পি এস) ওফিসারশিং লৌখিবদা শেঞ্জা থুমজা পীজখি হায়বা ওফিসার ১৩ অসাম গভর্ণমেন্টনা থবক লৌথোকখ্রে।

ওফিসারশিং অসিনা এ পি এস সি এক্সামিনেসনদা মায় পাক্লবা অমসুং গভর্ণমেন্টকী থবক চঙবা য়ানবা এ পি এস সি চিয়ার্মেন রাকেস পালবু শেঞ্জা-থুমজা তৌখিবনি।

এ পি এস সি ইন্ট্রান্স এক্সাম স্কামদা চেন্নবগীদমক মসিগী চিয়ার্মেন রাকেস পাল হৌজিক হৌজিক জেলদা লৈরি। স্কাম অসিগা মরী লৈননা চিয়ার্মেন রাকেস পালগা লোয়নবা ওফিসার ৩৫ ফাখ্রে। ফারবশিং অদুগী মনুংদা হান্নগী কংগ্রেস মিনিষ্টর নিলমণি সেন দেকাগী মচানুপা রাজর্শি সেন দেকা য়াওরি।

## উলফা (আই) ৬ সরেন্দর তৌখ্রে

*গুৱাহাটি, জুন ২১ ঃ*
য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্দ ওফ অসোম (উলফা) ইন্দিপেন্দেন্টকী মিলিটেন্ট ৬ খূৎশু-খূৎলাইগা লোয়নবা ঙসি অসাম পুলিসতা সরেন্দর তৌরকখ্রে।

অসাম পুলিসকী মতুং ইন্না সরেন্দর তৌরক্লবা মিলিটেন্টশিং অদুনা চা বগানগী শিন্মিশিং ফাবা অমসুং অসামদা চাগী ইন্দষ্ট্রি মাঙ-তাকহনবা য়াওনা মখোয়গী লুচিংবশিংগী থবকশিং অদু পেন্দবা ফোঙদোরকখি হায়রি।

ঙমখৈ পরীংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং লেংদনা লৈখিবনা মখোয়না অসামদা চৎনবা হোৎনবদা খুদোংথিবসু মায়োক্লে হায়রি। সরেন্দর তৌরকখ্রবা মীওইশিং অদুদি প্রনাব গোগোই, অপুরবা মুন, সত্যজিৎ মুন, জিশু দোলি, রিতুরাজ মোরান অমসুং অভিজিৎ গোহেননি।

## মেঘালয়া কংগ্রেস এম এল এ পার্টিদগী তোক্লগনি

*শিল্লোং, জুন ২১ ঃ*
কংগ্রেসকীদমক য়াম্না নীংবা কয়বা থৌদোক অমা ওইনা রানিকোরদগী মেঘালয়া কংগ্রেস এম এল এ অমসুং হান্নগী স্পিকর এম এম দেঙ্গোনা ঙসি পার্টিদগী তেকখ্রগনি।

মেঘালয়া লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম মহাক্না কংগ্রেসতগী তোক্লগনি হায়বা ৱাফম অসি এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকরনা অরেপ্পা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

# মমতা বেনর্জীনা বি জে পি, লেফ্ট অমসুং মাওইষ্টশিংবু খুন্নাইগী খ্বাইদগী মশক থীবা শক্তমনি হায়না চৈখ্রে



*কোলকটা, জুন ২১ ঃ*
বেঙ্গলগী ট্রিনামুল কংগ্রেসনা কংগ্রেসকা মরী লৈনবা ৱাফমদা য়াম্না চেকশিন্না ৱা ঙাংলম্বদু ঙসি পার্টিগী মীফম অমদা মমতা বেনর্জীনা ৱা ঙাংবদা শোয়বদগীরা করিনো কংগ্রেসপু থীনা চৈখ্রে। মহাক্না কংগ্রেসতা নত্তনা বি জে পি, লেফ্ট পার্টিশিং অমসুং মাওইষ্টশিংবুসু চৈখি।

কম্মুনিষ্ট পার্টি মার্ক্সিস (সি পি এম) না বি জে পি গী মখোঙদা তুরে অমসুং মশা হিংনবা হোৎনরি। দিল্লিদা কংগ্রেসনা বি জে পি গী মায়োক্তা লৈরি। অদুগা মফম অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদনা বি জে পি গা খূৎ শোক্নরি। কংগ্রেস রুলস অমসুং প্রিন্সিপলশিং অদু কদায়দা লৈখ্রবগে ? সি পি এম, কংগ্রেস, মাওইষ্ট অমসুং বি জে পি মখোয় লোয়নমক অসি খুন্নাই অসিগী খ্বাইদগী মশক থিবা শক্তমনি হায়না ট্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবা মকোক অসিনা হায়খি।

পার্টিশিং অসিগী মনুংদা অরোনবা মরী অমা লৈনৈ হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা হৌজিক মকোক মরিনা পুনশিন্নখ্রে। মখোয়না শেল হুরাল্লি হায়না মখা তাখি।

মমতা বেনর্জীনা মহাক মশাগী পার্টি শেম্লবা কংগ্রেসতগী তোক্লকখিবনি মদুগী মমাঙদা মহাক হান্না কংগ্রেসকী লুচিংবী ওইনা মতম শাংনা পার্টি অসি য়াওরকখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্না কংগ্রেস লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীগা অদুম্মক মরী লৈনৈ। মহাক্না কংগ্রেসনা শিনবা গেট-তুগেদরশিংদা চাংনাইনা মহাক্কী মীহুৎশিং থাই। অসুম্না তৌবসিগী খ্বাইদগী অনৌবা থৌদোক্তা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা রাহুল গান্ধীগী ইফতার পার্টিদা দিনেশ ট্রিবেদি থাখিবনি।

কংগ্রেস নত্তবা অমসুং বি জে পি নত্তবা ফ্রন্ট অমা শেম্নবা হোৎনরিবা কর্নাটকা চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখরন নাইদুগুম্বা লুচিংবশিংগসু মরী থম্লে।

মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনশিংগা মাঙওইননা পাঙথোক্লিবা পার্টিগী লালোং য়াৎনবা মীফমদা মমতা বেনর্জীনা পার্টি মেম্বরশিংগী মনুংদা য়ানিংদবা অমসুং অমোৎপশিং লৈ হায়বদু য়াখি অমসুং পূম্নমক অদু থাদোক্লগা পার্টিগী ওর্গনাইজেসনদা হেন্না পূক্নীং চঙশিন্নবা মাগী লুচিংবশিংদা পাউতাক পীখি।

# হোম মিনিষ্টর রাজনাথ নুমিৎ হুম্নিগী মোঙ্গোলিয়া খোঙচৎ চৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ২১ ঃ*
য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি মোঙ্গোলিয়াদা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ ওইনা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎকীদমক ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রে। খোঙচৎ অসিগী পান্দমদি চিনা অমসুং রসিয়াগা ঙমখৈ তাইনরিবা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাক অসিগা লৈনরিবা ইন্দিয়াগী মরী কনখৎহন্নবনি হায়রি।

মোঙ্গোলিয়াদা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎ অমদা উলানবাটরগীদমক ইন্দিয়া থাদোক্লে, মোঙ্গোলিয়াগা লৈনরিবা ইন্দিয়াগী মরীশিং হেন্না কনখৎহন্নবা অমসুং সেক্যুরিটিগী তেংবাঙগসু কনখৎহন্নবা মীৎয়েং থম্মী। মোঙ্গোলিয়া অসি মরু ওইবা ষ্ট্রেতেজিক পার্টনর অমনি। ইন্দিয়ানা মোঙ্গোলিয়াগা মরী লৈনবা য়াবা ময়াম অমা থবক ওইনা পাঙথোকপা পাম্মী হায়না হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ট্যুট অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হয়েং উলানবাটরদা ওইল রিফাইনরি অমা হাংদোকপা মতমদা শরুক য়াগনি নুমিৎ অসিমক্তদা মোঙ্গোলিয়ান প্রাইম মিনিষ্টরনা শিনবা মহাক ওকপগী থৌরমদসু শরুক য়াগনি। রাজনাথ সিংহনা জুন ২৩ দা মোঙ্গোলিয়ান প্রসিদেন্ট উন্নরুগনি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয়না হায়খি। দিল্লিদা হল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্না মোঙ্গোলিয়াগী বোর্দর প্রোটেক্সন ফোর্সকী হেদক্বার্টরসসু য়েংলক্কনি।

হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হৌখিবা চহীগী অথেংবদা মোঙ্গোলিয়াদা চৎনবা থৌরাং তৌখিবনি অদুম ওইনমক মশা ঙমদবদগী খোঙচৎ অদু য়ৈথোকখিবনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমনা চৎপা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা অহানবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০১৫ দা মোঙ্গোলিয়াদা চৎখ্রে।

# কম্মর্স মিনিষ্ট্রিগী লুপা ক্রোর ২২৬ চঙবা কমপ্লিটলি পেপরলেস দিল্লি ওফিস লৈরগনি




*ন্যু দিল্লি, জুন ২১ ঃ*
দিল্লিদা লৈরিবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ২২৬ চঙদুনা শাগৎকদৌরিবা কম্মর্স মিনিষ্ট্রিগী "কমপ্লিটলি পেপরলেস" দিল্লি ওফিস অমা হয়েং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা যাত্রা হুল্লগনি।

ইন্দিয়া গেট মনাক্তা লৈবা কমপ্লেক্স অসি হান্নগী দাইরেক্তোরেট জেনরেল ওফ সপ্লাইজ এন্দ দিস্পোজেলসগী লম একর ৪.৩৩ দা শাগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা কম্মর্স মিনিষ্টরনা হায়খি।

কম্মর্স মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না মফম অসিদা শাগৎকদৌরিবা বিল্ডিং অসিনা ওফিসার ১,০০০ রোম অমসুং অতৈ ষ্টাফকী লৈফম পীগনি অমসুং মসি ইনভাইরোনমেন্ট ফ্রেন্দলি ওইগনি হায়রি।

কম্মর্স মিনিষ্ট্রিগী হেদক্বার্টস অসিদা স্মার্ট এক্সেস কন্ট্রোল, ভিডিও কনফরেন্সিং অমসুং মপূং ফানা নেটৱার্কিং তৌরবা সিষ্টেমশিংগুম্বগী হৌজিক মতমগী খ্বাইদগী নৌবা ফেসিলিটিজশিং থমদুনা মপূং ফানা পেপরলেস ওইবা ওফিস হায়বদু ওইরগনি।

কম্মর্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারদুনা মফম অদুদা হৌরিবা উ পাম্বী ২১৪ গী চাদা ৫৬ হেনবদি কমপ্লেক্স অদু শাগৎপদা শোকহন্দনা থমগনি। শোকপা তারগসু কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা অতোপ্পা মফম অমদা হোংদুনা অমুক হন্না থাগনি হায়রি।

ইন্টিগ্রেটেদ লোজিষ্টিক্স সেক্টর দিভলপমেন্টকুম্বা অনৌবা রেস্পোন্সিবিলিটিজশিং হাপচিল্লিকপগা লোয়নবা কম্মর্স দিপার্টমেন্টকী থৌদাং অসি লৈবাক অসিগী ইকোনোমিক গ্রোথকীদমক হান্নদগী হেন্না মরু ওইরক্লে হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1205**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 2 | 6 | 4 | | |
| | 1 | | | | | | 3 | |
| | | | | | 5 | 9 | | 7 |
| | 8 | 5 | 3 | 4 | | | 7 | |
| | | | 6 | | 1 | 5 | | 2 |
| | 2 | 9 | | | | | | |
| 5 | | 7 | 2 | | | | | |
| | | | | 1 | | | 4 | |
| 2 | | | | 8 | | | | |